**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 15-06-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৫-০৬-২০২৪, থাংজা)**

--**সিগনেচর ট্যুন**--

**---অকাশবানি ইম্ফাল নোলিনি দেবীনা পাউ পাজরি---**

--**অহানবদা মরুওইবা পাউ**--

১) রাজ্য অসিদা হিংশা য়াওনা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা মনিপুর পুলিস য়াওনা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগী মায়কৈদগী পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলি।

২) ভারত অমসুং ইটলি লৈবাক অনি দিফেন্স সেক্যুরিতি , ক্লিন ইনর্জি , স্পেস অমসুং এ.আই য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা মতেং পীনবা য়ান্নখ্রে ।

**অমসুং**

৩) নেসনেল টেস্তিং এজেন্সিনা লৌবা নিট পারিক্ষাগী হিয়ারিং জ্লাই ৮ দা চথরগনি ।

--**ট্যুন**--

পুলিস(এল)ঃ রাজ্য অসিদা হিংশা য়াওনা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা মনিপুর পুলিস য়াওনা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগী মায়কৈদগী পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলি। মনিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমদগী থোকপা চেরোল অমনা হায়- জিরিবাম জিলাগী বোরোবেক্রা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা জাকুরাধোর পার্ট-টু ভিলেজদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা য়ুম য়ুমদা চংদুনা থীবা হুম্বগী থবক চথখ্রে। মদুদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মায়কৈদগী মফম অদুদা মীওই ১৪০ রোম মশক খঙদোকপা ঙমখ্রে। লোয়ননা পামদবা থৌদোকশিং থোকখিবা লৈতে।

নেসনেল হায়ৱে-টু দা নোংমগী চংদ্রবা য়াদ্রবা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ২৩২ চংলক্লি। গাড়িশিং অদু সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরংগা লোয়ননা ইম্ফাল তমা চংলক্লি । রাজ্য অসিদা চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নাকাচেক পোস্ত ১২৪ হাংদোকখ্রে। লোয়ননা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মায়কৈদগী পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং মনিপুর পুলিস অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগী মায়কৈদগী পায়খৎলি।

**ইনভাইরোনমেন্ত(এল)ঃ** মালেম শিনবা থুংনা পাঙথোক্লিবা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ত দেগী শরুক অমা ওইনা চৎলিবা থা অসিগী ১৮ ফাওবা নুমিৎ ৫ নি চুপা পাঙথোক্কদবা ফোতো কন্তেস কম একজিবিসনগী থৌরম ক্বাকৈথেলদা লৈবা ইম্ফাল আর্টস গেলেরিদা ঙরাংদগী হৌখ্রে।

থৌরম অদু হৌদোক্লদুনা মনিপুর সরকারগী ইনভাইরোনমেন্ত অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জকী দাইরেক্তর তৌরাংবম ব্রজাকুমারনা হায়- রাজ্য অসিদা অকোয়বগী ফীভম কন্নবা অমদি মসিবু কায়হন্দনা থমবগীদমক ইনভাইরোনমেন্ত এক্তিবিস্ত কয়া থোরক্লি। মসি রাজ্য অসিগী ওইনদি য়ামা চাউথোকচনিংঙাইনি ।মনিপুর সরকারগী মরী লৈনবা বিভাগনা লমদম অসিদা ইনভাইরোনমেন্ত অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জকা মরী লৈননা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলি। মসিদা মীয়ামা থাজবা থমদুনা থৱাই য়াওনা মহৌশাগী খুৎশেমদা অকায়বা থোক্তনবা থবক থৌরমশিংদা থৱাই য়াওনা শরুক য়ারকপা অসি নুংঙাইবা ফাওই।

মহাকা মখা তানা হায়- লমদম অসিদা ইনভাইরোনমেন্ত একতিভিস্ত কয়া লেপ্পা লৈতনা থোরক্লি। লোয়ননা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ত দেগী থৌরম অসি সরকারগী মরী লৈনবা লোইশঙশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুপ কয়া অমদি মহৈরোই খুনাইনা পাকশন্না শরুক য়াবা অসি লমদম অসিগী ওইনা ইনভাইরোনমেন্তকীদমক য়ামা ফবা খোংথাং অমনি ।

থৌরম অদুদা ফোতো কন্তেস কম একজিবিস অদুগী মকোক মথং তাখ্রবা ফোতোগ্রাফরশিংদা মনা পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**ব্লদ(এল)ঃ** **মালেম**গী মফম শিনবা থুংনা ঙরাং ৱার্ল্ড ব্লদ দোনরস দেগী নুমিৎ পাঙথোকখি। মনিপুরদসু নুমিৎ অসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পঙথোকখি। নেসনেল হেলথ মীসন ষ্টেট হেলথ সোসাইতিগী ষ্টেট ব্লদ সেল অমদি ষ্টেট ব্লদ ত্রান্সফ্যুজন কাউন্সিল মনিপুরনা শিন্দুনা রাজ্য থাক্তা নুমিৎ পালন থৌরম অসি ঙরাং ইম্ফালগী জি.পি ৱিমেন কলেজতা পাঙথোকখি। “২০ ইয়রস ওফ সেলেব্রেতিং গিভিং থেঙ্ক য়ু ব্লদ দোনরস ” হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী দাইরেক্তর ডা: ও .সনাহনবিনা হায়- ঈ-দান তৌবনা মীওই কয়াগী পুন্সি কনবা ঙম্বতা নত্তনা ইশাবুসু হকচাং ফনা লৈহনবা ঙমই। মসিদসু নত্তনা কনাগুম্বা ঈগী মথৌ তাবশিংদা মতেং পাংবা ঙল্লে হায়বা ৱাখল অসিনসু পুন্সিদা তোঙানবা নুংঙাইবগী মহাওসু পীহল্লি। মহাকা হায়-

--**সাউন্দ সনাহনবি**----

থৌরম অদুদা নেসনেল হেলথ মিসন মনিপুরগী ষ্টেট মীসন দাইরেক্তর ডা: সোমোর্জিৎ নিংঙোম্বম, রিমস হোস্পিতালগী ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিন দিপার্টমেন্তকী প্রোফেসর এ.বরিন্দ্রা শর্ম্মা, জে.নিমস ব্লদ সেন্তরগী সেনিয়র এমও ইনছার্জ ডা: কোন্সম সুর্জিৎ অমসুং জি.পি. ৱিমেন্স কলেজকী প্রিন্সিপল হিজম রোমি দেবী শরুক য়াখি।

অমরোমদা, রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস(রিমস) কী ব্লদ বেঙ্কনা শিন্দুনা ঙরাং মালেমগী ঈ-দান তৌবগী পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে। ই্ম্ফালগী রিমস হোস্পিতলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা রিমসকী দাইরেক্তর প্রোফেসর জি-সুনিল কুমার শর্ম্মনা হায়- মীওইবা অমনা ঈ-দান তৌবদা মাংজবা লৈতে, ঈ-য়ুনিত অমনা মীওইবা ৩গী পুন্সি কনবা ঙমই।

মহাকা হায়- ঙরাং ফাওবা ঈ-পীথোক্তনা লৈরিবা মীয়ামা ঈ-দান তৌবিরদি মীওই কয়াগী পুন্সি কনবা ঙমগনি ।

স্বাস্তা এক্সন প্লান ২০২৪গী মনুং চন্না পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রিমসকী ষ্টাফ ৫০ না ঈ-দান তৌখি। থৌরম অদুদা রিমসকী মেদিকেল সুপ্রিনতেন্দেন্ত প্রোফেসর এন.সনজিব অমদি হোস্পিতাল অসিগী ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিন দিপার্টমেন্তকী প্রোফেসর এ.বরিন্দ্রা শর্ম্মা শরুক য়াখি।

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

পি.এমঃ প্রধান মন্ত্রি নেরন্দ্র মাদি অমসুং ইটলিগী প্রধান মন্ত্রি জিওজিয়া মেলোনিনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবা ৱারি শান্নখি। ৱারি শান্নবা অদুদা ঙাশেলগী লমদা তেংবাং পীনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমশিং - দিফেন্স সেক্যুরিতি , ক্লিন ইনর্জি , স্পেস, সাইন্স এন্দ তেকোলোজি, তেলিকোম অমসুং এ.আই য়াওনা হিরম কয়াদা তেংবাং পীন্নবগী মতাংদা কুপা খন্না নৈনখি।

**নিট ঃ** নেসনেল টেস্তিং এজেন্সিনা লৌবা নিট পারিক্ষাগী হিয়ারিং ঙরাং সুপ্রিম কোর্টতা চংখ্রে। মখা তাবা হিয়ারিং জলাই ৮ দা চংথরগনি। হিয়ারিং অদুদা পেতিসন্নরশিংগী মায়কৈদগা নিট পারিক্ষা অসিগী মথক্তা সি.বি.আই ইনক্কারি তৌবিনবা ৱাফম পুখৎখি। পনবা য়াবদি ভারতকী ওইনা মহেরোই লাখ ২৪ গী মরাইবম লেপকদৌরিবা নিট পারিক্ষা অসি চহি অসিগী মে ৫ দা পাঙথোকখিবনি। লোয়ননা নেসনেল তেস্তিং এজেন্সিনসু হায়রিবা পারিক্ষা অসি নিয়ম চুমদনা পাঙথোকখি হায়বগীদমক তোঙান তোঙানবা হায়কোর্টশিংদা লাকখিবা ৱাকৎশিং পুন্সিনবিনবা পেতিসন অমা সুপ্রিম কোর্টতা থারকখিবা লৈখ্রবনি।

--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক--

**হৌজিক খাইদেম গিটচন্দ্র লৈরে--**

**---গিটচন্দ্র---**

**----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) রাজ্য অসিদা হিংশা য়াওনা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা মনিপুর পুলিস য়াওনা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগী মায়কৈদগী পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলি।

২) ভারত অমসুং ইটলি লৈবাক অনিা দিফেন্স সেক্যুরিতি , ক্লিন ইনর্জি , স্পেস অমসুং এ.আই য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা মতেং পীনবা য়ান্নখ্রে ।

**অমসুং**

৩) নেসনেল টেস্তিং এজেন্সিনা লৌবা নিট পারিক্ষাগী হিয়ারিং জ্লাই ৮ দা চখ্থরগনি ।

**--পাউ লোইজরে--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

### থাগৎচরি-নোলিনি

চিফ মিনিস্তর লাক্ত্রবসু ওথোরিতিশিংদা থবক ওইনা তৌহনবিরো হায়বা জে.দি.ও. য়ু.জে.ৰাই.এলগী ৰাফম, মনিপুরদা লোনগী বেত্তত্রি ১০ অমসুং লুপা লাখ ৩, লিশিং ৪০পুশিন্নবা হোৎনরম্বা কাংপোকপীদগী নহা অমা অসামদা ফারে হায়না পাউ অমসুং প্রি-প্রাইমরি ওজা লৌবগী ৰাহৌদা লৈঙাকা দেসামগা কন্না মুকরক্কদৌরি হায়বা পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মনিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

হুইয়েন লানপাউ পাউচেদা- জিরিবামগী লান অমুকসু য়ুম অনি মৈ থাদোক্লল্লে, চিফ মিনিস্তর লাক্ত্রবসু ওথোরিতিশিংদা থবক ওইনা তৌহনবিরো হায়বা জে.দি.ও. য়ু.জে.ৰাই.এলগী ৰাফম, মনিপুরদা লোনগী বেত্তত্রি ১০ অমসুং লুপা লাখ ৩, লিশিং ৪০পুশিন্নবা হোৎনরম্বা কাংপোকপীদগী নহা অমা অসামদা ফারে হায়বা পাউশিং অসিনা অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

প্রি-প্রাইমরি ওজা লৌবগী ৰাহৌদা লৈঙাকা দেসামগা কন্না মুকরক্কদৌরি হায়বা পাউ অমসুং এম.পি.এফকী মীরেপ মায়থিরকপদগী য়ু.এন.দি নিংদোনপোল্লে ।এলফ্রেদ, অবোনমাই অমসুং খোজোন য়ু.এন.সিনা চহি ৭ অথিংবা থমখ্রে হায়বা পাউ অসিনা সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

কুকিশিংগী পান্দমদি মনিপুরদগী সেপরেট ষ্টেট ফংলবা মতুং মীজোরামদা মরজ তৌবনি, ইন্দিয়না সেক্যুরিতি অমসুং ইন্তিলিজেন্সনা কুকি গ্রুপশিং মপুং ফানা লাকশিনগদবনি হায়বা ইন্তলিজেন্স ব্যুরোগী পাউনা সনা লৈবাক পাউচেগী বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা অহানবা লমায়দা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

লাঞ্জেন্নরিবশিংগী প্রোফাইল শেমদুনা অফবা পুন্সি মরেলদা হিংহন্ননবা থৌরাং পায়খৎলে হায়বা অঙোমচা বিমোল অকোয়জমা ফোংদোকখিবা ৱাফম , দি.জি.পি অমদি সেক্যুরিতি এদভাইজর খুদক্তা যক্ষ লৌথোকউ হায়বা মহৈরোই লুপশিংগী ৱাফম অমসুং ম্যান্মার মচাশিং হলহনখিনবা বোদরদগী এ.আর লৌথোকবা নাগাশিংনা তকশিল্লি হায়বা পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা পোকফম অমসুং পিপলস ক্রোনিকল পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি ইদিসনদা- জিরিবামগী থৌদোকশিং, রিয়েক্সনশিং, দি.জি অমসুং এস.এ লৌথোকবা মহৈরোইশিংনা দিমান্দ তৌরি। সি.এম লাক্ত্রবসু থবক লৌখৎপিয়ু হায়বা লুপশিংগী ৱাফম অমসুং দ্রোনগী পোৎলম লৈবা লাকপা কুকি মচা অমা ফারে হায়বা পাউশিং অসিনা অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউশিং সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি।

অসামদা কুকি মিলিটেন্ত ফারে হায়বা পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ইম্ফাল ফ্রী প্রেস পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি।
মসিগা মান্নবা পাউশিংসু মোর্নিং বেল পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি।

তমেংলোংদা ফোংবা পাউচে গানফিউ মেলদা - মনিপুরগী সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিব সিংহ অমসুং দি.জি.পি চয়োল অমগী মনুংদা লৌথোক্কদবনি হায়বা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল জোইন্ত কোওর্দিনেতিং কম্মীতিগী দাবী য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিং অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ফোংলি।

তামেংলোং টাইমস পাউচেদা - ইন্দিয়ান মেত্রোলোজিকেল দিপার্টমেন্তনা অৱাং নোংপোকপী ষ্টেটশিংদা থা অসিগী ১৮ ফাওবদা অকনবা নোং চুগনি হায়বা পাউশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিং অহানবা লমায়দা মরু ওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি।

সেনাপতিদা ফোংবা পাউচে হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা - নাগা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংনা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রিদা চিঠি ইখ্রে হায়বা পাউশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিং অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি।

**--নোলিনি--**